


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, AUGUST 07, 2018 **PAGE 7**




*স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্লব অমা ওইরিবা সিভিলাদা নৌনা সাইন তৌখ্রবা মশাগী চহী ২৮শুবা এলেক্স ভিদাল*

*ইন্দিয়াগী সুপর লীগকী চেম্পিয়ন চেন্নাইন সিটি এফসিদা নৌনা সাইন তৌখ্রবা ইটালিগী মিডফিল্ডর ওইরম্বা এন্দ্রিয়া ওর্লান্দি*

## অনৱার আলিগী ফ্রি কিক্কী পাঞ্জলনা ইন্দিয়াগী য়ু-২০ ফুটবোল টিম্না আর্জেন্টিনাগী য়ু-২০ টিম্বু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে



*ভেলেন্সিয়া, ওগষ্ট ০৬ঃ*

স্পেনদা চত্থরিবা কোটিফ কপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অনৱার আলিগী ফ্রি কিক্কী পাঞ্জলনা ইন্দিয়াগী নুপাগী য়ু-২০ ফুটবোল টিম্না আর্জেন্টিনাগী য়ু-২০ ফুটবোল টিম্বু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা কোটিফ কপকী অহানবা মেটচতা স্পেনগী ক্লব মুরসিয়াগী মখূত্তা পাঞ্জল ০-২ দা মায়থিবা নংখি। অদুগা অনীশুবা মেটচতনা অফ্রিকাগী ক্লব মোরিটানিয়াগী মখূত্তা পাঞ্জল ০-৩ দা মায়থিহৌখি। অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা মেটচতা ভেনিজ্বেলাগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিমগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎপা ঙমখি।

ইন্দিয়া অমসুং আর্জেন্টিনানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা আর্জেন্টিনাগী মায়োক্তা এটেক চত্থরকখি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা ইনি দয়ানা ফংখিবা কোর্নর অমদা মণিপুরদগী হৌখিবা নিঙ্থোইঙম্বনা কাউশিনবদা টিমমেট দিপক টাঙ্গ্রিনা য়াম্না ফজবা হেদ্দিং অমা তৌশিন্দুনা পাঞ্জল ওইহন্দুনা আর্জেন্টিনাগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিমদগী ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা এটেক চত্থদুনা শান্নরকখিবশিং অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লাকখি।

আর্জেন্টিনাগী ওইনা চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম্না য়ু-২০ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা লৈবাক্নি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখিবা অদু হাল্ফ অদু লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীনা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ইন্দিয়ানা আর্জেন্টিনাবু ১-০ দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অমরজিৎ সিংহ কিয়ামনা পীরকপা পাস অমা টিমমেট অনৱার আলিনা কাউশিনবদা আর্জেন্টিনাগী গোলকিপরনা ফাখিবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ইনি দয়ানা মাঙজখি।

শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনিকেট জাদবনা চৎন-পত্থাপকী ৱাংমদা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই অমদা ফাওল তৌরুবদগী মেটচ অদু কন্দক্ত তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখিবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোই ১০ খক্তা ঙাইহৌখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎলবা ইনি দয়াগী মায়োক্তা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা এটেক মরী-মরী চত্থদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ৫৬ অমসুং ৬১শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা গোল তম্না কাউশিল্লকখিবা সোট অনী ইনি দয়াগী গোলকিপর প্রাভসুখান গিলনা ফাখিবদগী পাঞ্জল ওইহনখিদে।

আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ফ্রি কিক অমা ফংখিবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই অনৱার আলিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইনি দয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম্না আর্জেন্টিনাগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম্বু পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা আর্জেন্টিনাবু ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারিবা য়ু-১৭কী শান্নরোইশিংনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুদা ইন্দিয়াগী সেনিয়র কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেন্টেননা অপেনবা ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা ক্লিয়ারেন্স পীখিদবদগী ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

## মণিপুরদগী হৌখিবা লিফটর সাইখোম মিরাবাই চনু ওলিম্পিক্স ক্বালিফায়রনা মরম ওইরগা এসিয়ান গেমস য়াওরোইদৌরি

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৬ঃ*

ৱেঠলিফটিংগী লমদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ কয়া থম্বা ঙমখ্রবী মণিপুরদগী হৌখিবা নুপী লিফটর সাইখোম মিরাবাই চনু ওলিম্পিক্স ক্বালিফায়রনা মরম ওইরগা ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস য়াওরোইদৌরি।



*মণিপুরগী ৱেঠলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনু (ফোটো-ফাইল)*

চহী অসিগী নবেম্বর ১দা টুর্কমেনিষ্টানগী কোনুং অসগাবাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংগী অহানবা ইভেন্ট ওইরিবনি। মসিগীদমক মিরাবাইনা ত্রেনিং চত্থবনা হেন্না ফগনি হায়না চীফ কোচ বিজয় শর্ম্মনা ফোঙদোকখি।

সাইখোম মিরাবাই চনু হৌজিক-হৌজিক অকনবা ত্রেনিং চত্থদুনা ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়াননবা হোৎনরিবনি। চত্থরিবা ত্রেনিং অদুদা ঙরাং মহাক্কী হান্না লৈরম্বা অনাবা অদু অমুক হৌরকপদগী ৱেঠলিফটিংগী চীফ কোচ ওইরিবা বিজয় শর্ম্মনা ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা য়াওহন্দনবগী রিকমেন্দ তৌখিবনি।

চীফ কোচ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মিরাবাই চনুগী অনাবা অসি অমুক হৌরকপা মরম্না ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসি শরুক য়াবদা রিক্স লৈগনি। মরম অদুনা হৌজিক চত্থগদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়াদনবা রিকমেন্দ তৌখিবনি হায়খি।

সাইখোম মিরাবাই চনু জার্কটা এসিয়ান গেমস অসিদা গোল্ড মেডল লৌগনি হায়না পানরিবনি। মহাক্না গেমস অসিদা শরুক য়াদবদা ইন্দিয়াগী চাওনা মাঙজগনি হায়না ইনি দয়ান ৱেঠলিফটিং ফেদরেসনগী সেক্রেটরী সাহদেব যাদবনা ফোঙদোকখি।

সাইখোম মিরাবাই চনুনা ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়াবা নৎত্রগা য়াদবগী ৱাফম অদু ওগষ্ট ৯ দা লেপকনি হায়না ফেদরেসন অসিগী সেক্রেটরী সাহদেব যাদবনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি সাইখোম মিরাবাই চনু কুমজা ২০১৭ গী নবেম্বর থাদা য়ুএসএদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা গোল্ড ফংখ্রবা মতুং চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসতা অনৌবা রেকোর্দ কয়া থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

## ৱাফ্ফ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না ইরাক্কী য়ু-১৬ টিম্বু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*অম্মান (জোর্দান), ওগষ্ট ০৬ঃ*

জোর্দাননা য়ুম্থু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি অম্মানদা পাঙথোক্লিবা ৱেষ্ট এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (ৱাফ্ফ) ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপা ফুটবোল টিম্না ইরাক্কী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্বু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



*ইরাক্কী য়ু-১৬ ফুটবোল টিম্বু মায়থিবা পীখিবা ইন্দিয়াগী য়ু-১৬ ফুটবোল টিম*

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অমনা ইরাক্কী ফুটবোল টিম্বু মায়থিবা পীবা ঙম্বা অসিগী ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা ওইরি।

ইরাক্কী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসি হৌজিক-হৌজিক এসিয়াগী চহী ২০ মখাগী চেম্পিয়ন ওইরিবনি।

টিম অসিনা মমাঙদা নেপালদা শান্নখিবা এএফসি য়ু-১৬ ক্বালিফায়রদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

ঙরাং অথেংবদা ইন্দিয়া অমসুং ইরাক্কী টিমনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌশিন্নদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখি।

অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখ্রবসু হাল্ফ অদু লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা থিনবা হৌরকখি।

লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ শান্নবা লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা মতম শান্নরকপদা ইনি দয়াগী শান্নরোইশিংনা থুনা য়াঙনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই বুভেনেসনা য়াম্না ফজবা হেদ্দিং অমা তৌশিনখিবা পাঞ্জল ওইদুনা মেটচ অদু ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপাগী ফুটবোল টিম্না ইরাক্কী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অদুবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না ঙসি পাঞ্জল অমা চনখিবা অদু চহী ৩৬ কী মমাঙদা জপানগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা অদুগী মতুংদা অহানবা ওইরি।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না ঙরাং ইরাক্কী টিম্বু থোইখিবা অদু শান্নরোইশিং অসিবু শেমগৎলকখিবা ইন্দিয়াগী কোচশিং অমসুং এআইএফএফ একাদেমীদা দেদিকেট তৌরগনি হায়না টিম অসিগী হেদ কোচ বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখি।

## জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং রুশিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভানা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*ৱাশিংটন, ওগষ্ট ৬ঃ*

জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং রুশিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভানা য়ুএসএগী কোনুং ৱাশিংটনদা চত্থরকখিবা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে।



*নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ*

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই গ্রিসকী সিটসিপাসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরন্নগা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা জর্মনিগী শান্নরোই জ্বেরেভনা গ্রিসকী শান্নরোই সিটসিপাসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমা শোত্থদুনা লৈরিবা সিটসিপাসকী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা লম্বা খরা পীরক্তুনা শান্নরকখ্রবসু জর্মনিগী জ্বেরেভনা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদুসু ৬-৪ দা থোইদুনা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।



*নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবী রুশিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভা*

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা রুশিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভানা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ক্রোএসিয়াগী দোন্না ভেকিকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং সেট ২-১ দা মায়থিবা পীরন্নগা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট ক্রোএসিয়াগী দোনানা রুশিয়াগী স্বেটলানাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা রুশিয়াগী স্বেটলানানা অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না কন্না শান্নরক্তুনা টাই ব্রেক্তা ৭-৬(৯-৭) দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা রুশিয়াগী স্বেটলানানা ফজবা হেনখিবদগী ক্রোএসিয়াগী দোনা ভেকিককী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী হান জিনয়ুন অমসুং ক্রোএসিয়াগী দারিজা জুরাকনা ৪শুবা সিদেদ পেয়র চিলিগী এলেক্সা গোরাচি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী ইরিন রোটলিফেবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-৩, ৬-২ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীরন্নগা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেজনা য়ুএসএগী মাইক ব্রাইন অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিনবু সেট ২-১ দা মায়থিবা পীরন্নগা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট মাইক ব্রাইন অমসুং রোজর ভেসেলিননা বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেজগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুনা মুরে অমসুং সোরেজনা ব্রাইন অমসুং ভেসেলিনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুনা বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেজনা য়ুএসএগী মাইক ব্রাইন অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিনবু ১০-৪ দা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## মোরোকোনা ইন্দিয়াবু ৫-১ দা থোইখ্রে

*ভেলেন্সিয়া, ওগষ্ট ০৬ঃ*


স্পেনগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোক্লিবা কোটিফ কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মোরোকোগী নুপী ফুটবোল টিম্না ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্বু পাঞ্জল ৫-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু অহানবা হাল্ফকী লোইরমদাই ৪২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই উমাপতি দেবীনা চনশিন্দুনা ১-০ দা মোরোকোদগী হেন্দুনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মোরোকোগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা এটেক কয়া তৌশিল্লকখি। শান্নবগী ৪৯, ৫৫, ৫৬, ৬৯ অমসুং ৭০শুবা মিনটতা পাঞ্জল মঙা চনশিনখিবদগী মোরোকোনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৫-১ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়ানা স্পেনগী ক্লব মাদ্রিদ সিএফকা লম্বা তৌনরগনি।

## মেঞ্চেষ্টর সিটিনা আর্সনেলবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা এফএ কম্ম্যুনিটি সিল্ড লৌখ্রে



*লন্দন, ওগষ্ট ০৬ঃ*

ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা লৈবা ৱেম্লি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচতা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মমাঙগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা আর্সনেলবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবাপীদুনা এফএ কম্ম্যুনিটি সিল্ড লৌখ্রে।

ঙরাং মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং আর্সনেলনা শান্নখিবা মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। ১৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা সর্জিও এগুইরোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

এগুইরোনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা ক্লব অসিদা মহাক্কী ২০০শুবা পাঞ্জল ওইবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা এটেক কয়া তৌদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা মায় পাকহনবা ঙমদনা থমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপগী ৫৮শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা আর্জেন্টিনা মচা সর্জিও এগুইরোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২-০দা মায় পাক্তুনা এফএ কম্ম্যুনিটি সিল্ড লৌবা ঙমখি।